# ‘শান্তিগী পাউজেল কনানসু তানীংলোই’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**

‘খঙনা-খঙনা খঙহৌদেকো, হৌখ্রে মতমদো, কল্লকইদা-কল্লকই বিদ্যাশখি’ হায়বা ওজা জি সী তোংব্রানা ইবা নোংমাইথেম গীতানা শকপা ‘খূৎথাঙ লমজেল’ ফিল্মগী ঈশৈদো হেক-হেক নীংশিংলকই। চহী লোইরমদাই মতমসিদা থোইদোক্লা নীংশিংলকই। করিসু তৌহৌদা, তৌগে খনবা থবকসু পাঙথোকপা ঙমদনা অদুমক হৌজিনখি। কনাগুম্বনা হায়, শাংলবা পূন্সি লম্বীনি। অদুবু ঐদি হায়নীংই পূন্সি লম্বীসি য়াম্না তেল্লি। অসুক্কী মতিক তেল্লি। মরকসিদা চহী লোইশিল্লমদাইসিদা হৌমিন-কামিন্নরকপা-কামিন্নরকপী মরুপ-মপাংশিং নৌহৌনা নীংশিংলকই। থেংনখিদবা কুইরবা কয়া-কয়ানি। মপাউ হংনীংবা-তানীংবা, হংফমসু খঙদ্রবা কয়ানি। অমুকসু খল্লি ঐনা অসুম্না মফাং-মফাং ৱাখল খল্লকপগুম মখোয়সু খনবা য়াওরমগদরা। মফাং-মফাংনবা ৱাখল্লক্তা নীংশিংবগী চাইগোইনুংদগী চৎখ্রো, তামখ্রো হায়বা য়াদ্রবা শক্তমসু নীংঙাই তৌদুনা মিৎমাংদা লেপ্লরি। ঈচেল কন্না চেন্থরকখিবা পূন্সিগী ঈচেলনা ঐনা করন্বা পন্থুংদা, তাম্নখ্রবশিংদুনা করন্বা পন্থুংদা, নুংশি খল্লুবদা পূন্সি। হৌখ্রবা মতমশিং অমুক হন্নসু লাক্লরোইদবা ময়ামদু নীংশিংলুরগা অৱা-নুংঙাই অনীগী ঈপাক্তা ইশানা ইশাবু কাউথোকচবমখৈ তাউদুনা লৈহল্লি।

পাম্মুরবা মতম পূন্সিগী মতম অসি চৎলিবা কুমজা ২০২৩ অসি মথোঙ খঙদনা অসুম্মক হৌজিনহনখ্রে। লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ অসিসু তৌফম খঙদনা লেলহনগদৌরিবরা হায়ফম খঙদে। নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা মরাল শুকলৈ লৈজদবা মীতৈ মীয়ামদা অতম্ননা থোকহনখিবা লাননি। লানসিগী চৈথেং মীতৈ মীচম মীয়ামদা পীরি। লাঞ্জেন্নরিবা মীতৈ মীচম মীয়াম কয়া শূফম-নোম্ফম খঙদ্রে। ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংনা ওইরিবা ফীভমসিদা করম্না মহৈ-মশীন তম্বদা পূক্লিং চঙগদৌরিবনো। হায়বদবু লায়রবা ৱানি। ৱানা মতম চঙনা লন-থুম তুংশিঞ্জরগা শাজখিবা য়ূমদুবু নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা নুংশি হৈতনা মৈ থাদোকপীখ্রগা মদুগী থৌদোক্তু হকথেংননা থেংনখিবশিংদুগী থম্মোয়দা কয়া য়াম্না নুংঙাইরম্লোই। করিগুম্বা য়ূম্ফমশিংদনা মখোয় মশেল অমগা-অমগা য়েন্থোক্লদুনা লৈবা। পূম্নমক্তুদা লৈবাক্কী মপী-মপাশিংনা কনবীখিদবা, মীনা লাকচখিবগী নুংঙাইতবা, শাউনীংবা কয়ানা থুমহৎলবা মপূং ওইনা নহাশিংনা করম্না ঈংথবা-তপথবা পূন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙমগনি।

মীতৈ ফূরুপ মীনা, য়েক্লবনা লাকচবা য়াবা ফূরুপ নত্তে। চঙজরক্লবা য়েক্লবশিংবু ঙাকপী হৈবগী পূকচেলসু চেনবা ফূরুপনি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়দনবা, লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফূরুপ ৩৫ অসিবু নুংশি চান্নরা হিংমিন্ননবা মীতৈ ফূরুপশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মণিপুর, মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইবগী অচেৎপা ফিরেপ্পা অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নগদবনি। অপূনবগী শক্তম্বু মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরক্লিবশিং অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নগদবনি। ঙসি নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর মচেৎ তানা থুগাইনবা হোৎনরি। মখোয়না মীতৈ কম্যুনিতিদা লান্দাদুনা ঈরাং থোকহল্লগা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা ঐখোয় মীতৈশিংগা লৈমিন্নবা ঙল্লরোই, ঐখোয়গী তোঙানবা লম পীয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌবনি। মরকসিদা ইন্দিয়াগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী লুচিংবশিং, মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিং অসিগী মফমদদি মণিপুরবু মচেৎ তানা খায়দোকপদা করিসু অমাঙবা লৈরম্লোই। অম্মা-অম্মানি। ইন্দিয়াগী করিসু মাঙজবা লৈতে খল্লমগনি। অমুকসু করিগুম্বদা নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা মণিপুর থুগাইবগী অহানবা খোঙথাংগী মতুংদা মদুগী অনীশুবা ষ্টেপ্তা মণিপুরগী লমগী শরুক খরনে, ম্যান্মারগী শরুক খরনে, বাংলাদেশকী শরুক খরনে পূন্দুনা কুকি-জৌশিংগী অনৌবা লম অমা শেম্নবা হোৎনরকপদদি ইন্দিয়াগী লম মাঙখিগদৌরে হায়দুনা ইন্দিয়াগী সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট মমিৎ-মনা শিংলক্কনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী হৌজিক মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদি মণিপুরদা কাঙলূপ মশেল হাৎনরগা মখোয়দা করিসু মাঙজবা লৈতে হায়বগী মওংনি। মসিদা অমুক য়েংবা য়ারিবদি মীতৈ ফূরুপ্তা লান্দারক্লিবসিদা অয়াম্বদি ম্যান্মারদগী আইন কায়না চঙশিল্লকপা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনি। মখোয়গী ফত্তবা বুদ্ধি-লৌশিংদুনা মণিপুরদা খুন্দারম্লিবা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংদুবু হুমদুনা পুখিবনি। অমুকসু মপা-মপা চান্নরুবনি। মণিপুরদা হান্না খুন্দারম্লিবা কাঙবুদুসু মতম-মতমগী ওইনা আইন কায়না বোর্দর লানশিল্লকখিবা ঙাক্তনি। মরমদি মণিপুরগা ম্যান্মারগা তাইনরিবা শাংলবা কিলোমিটর ৩৯৮ অসি মপু পান্দবগী মওংদা লৈরক্লি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরগী বোর্দর ইস্যুগী মতাংদা থৌ-ৱা শাদনা অদুমক লাক্লি। করি অরোনবা এজেন্দা লৈবনো খঙদে। ইন্দো-পাকিস্থান বোর্দরদদি উচেক ফাওবা পাইশিল্লকপা য়াদবগী ফীভমদা ঙাক শেল্লি।

মণিপুরগা য়ূমথংনরিবা ম্যান্মারদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা অদুমক লৈদুনা লাক্লি। ঙসি-ঙসিমক অয়ৌবী থাক্তা ম্যান্মারদা ঈরাং থোক্লি। মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মায়োক্তা লালহৌলূপ কয়ানা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্নবনি হায়দুনা লান হৌরি। মরকসিদা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংদা চাইনানা মখোয়গী মিলিটরি পাৱর শন্দোক্লবা হোৎনবদা ম্যান্মারগী লৈঙাক্লোন্দা খূৎ চঙদুনা মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গভর্ণমেন্টতা মতেং পাংশিল্লি। মালেমগী সুপর পাৱর ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ) না মখোয়গী ফোরেন পোলিসিগী শরুক অমা ওইনা খা নোংপোক এসিয়াদা মখোয়গী অচৌবা মফম কলহৌনবা চাইনাগী এক্সপান্সনিষ্ট পোলিসি থিংননবা মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মায়োক্তা লান হৌরিবা লালহৌলূপশিংদা মতেং পাংশিল্লি।

মতাংসিদা য়েংবা য়ারিবদি শক্তি লৈবা লৈবাকশিংদি দবল গেম শান্নবা ঙাক্তনি। অশোনবা লৈবাকশিংবু থুগাইরগা মচেৎ তাহল্লগা মখোয়গী কান্নবা লৌবা ঙাক্তনি। নোংচুপকী শক্তি লৈরবা লৈবাকশিংনা তাইশিন্নবা য়াদনা থুগাইবীরম্লবা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া মসিগী ময়েক লারবা খুদমনি। ম্যান্মারগী ৱাফমদা হঞ্জিল্লক্লবদা মিলিটরি জুন্তা (হুন্তা) গী মিন-আং-লেংনা ম্যান্মারবু মচেৎ তাহন্দনা থম্বা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিনি।

ম্যান্মারদা ঈরাং থোকপা, ফূরুপ য়াম্না খুন্দাবগী হৌনবী অমগা-অমগা মোত মান্নদবা, চরাংনবা তাঞ্জা অসিদনি মণিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈশিংদা নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা লান্দারক্তুনা মণিপুর থুগাইনবা হোৎনদুনা মীতৈশিংদা মীশি-মীনা কয়া থোকহন্দুনা খম থেংনা ৱাহল্লিবসি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মীতৈশিং ৱাবা য়াবা ৱারবনি। অসিগুম্বা থৌদোকসি মঙদফাওবা মঙদবা থৌদোক্লি। মীতৈশিংনা মরাল শুকলৈ লৈতনা মরাল পীশিনবীদুনা অৱাবা নংহল্লিবা অসিদা ঈরাংসি লোইশিন্নবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা অকনবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎতবসিদনি মীতৈ মীচম মীয়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইত্রিবসি। নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা ফাবীখ্রগা মথোঙ খঙহনবীখিদ্রবা তমথীনদি হাৎতোকপীখ্রে খঙলগা মশা থিবা ফংখিদ্রবা কয়াগী অৱাবা তম্বদা মদুগী ফোঙদোক্লবা ৱাহৈ লৈত্রবা কয়া কয়ানি। ষ্টেট লৈঙাক অমা লৈরি অদুবু করিগুম্বা থোকহন্নীংদবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অমা থোকপদা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাক্ত্রবদি করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা উদে। মীশী-মীনা নুংঙাইতবা থৌদোক য়াম্মনবনা য়াম্না কল্লম্বা লৈবাক পুংজাউ থিল্লম্বা থৌদোক্তু অতোপ্পা থৌদোক অমা থোকচিল্লকপদা মথন্তা মমি শামখিবগুম তৌখি। অদুবু মতম চূপ্পগী ওইনা ৱাহৌরিবা মীৎলুগী পিরাং ঈহৌদুনতনা লৈহৌরিবদি মফম খঙখিদ্রবশিংদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংতনি। নক্লবা মরুপ-মপাংশিংনি।

মীওইবগী পূন্সি মমল য়াম্না য়াম্মী। তাঙনা পোকপা মীওইপোক্লি হায়নরিবনি। ঐ অমনা তাইবঙপানসিদা হিংলিঙৈগী মতমসিদা মীওইবা ফূরুপশিংগী মরক্তা নুংশিননা লৈমিন্ননবা হোৎনবা হায়বসিমক তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা থবক্লি। অমুকসু লৈশেমঙৈদগী লোল তিন্নবা মশেল পাউ ফাওনদুনা নুংশিননা হিংমিন্নরকই। করিগুম্বদা লোল ফাওনদ্রবসু মীওইবা অমা ওইবগী হৌনবা অৱাবা তাবা মতমদা মতেং পাঙনদুনা লাকই। পঞ্জরিবা মীনা মীবু নুংশিবা, অৱা-অনা তারবদা তেংবাঙনবা হায়রিবা মীওইবা অমদা চেনফম থোকপা মগুণ খরসি মীতৈ ফূরুপ্তা চেন্দুনা লাকপনা লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফূরুপশিংনা অৱাবা তারক্লবা মতমদা তেংবাঙদুনা লাকখি। মীতৈ ফূরুপ্পা পুকচেল চাউরুবনা কুকি-জৌ ফূরুপ্পা অৱা-অনা তাখিবা থেঙ্খাং কয়াদা মতেং পাংবীখি মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা। অদুবু কুকি-জৌ অমসুং মখোয়গী মরী-মতা ওইবা কাঙলূপ ফূরুপশিং অসিদি মীদি মানবা মীওইবগী পুকচেল চেন্দবা মীওইবা মরক্তা মী ওইনা লৈমিন্নবা য়াদবা হিংচা-য়াইতম্বা, মচিন-থীবা, ওইদ-পাদ ঙাঙবা, হুরানবা কাঙবুনি হায়বদু ঙসিদি মীতৈশিংনা খঙলক্লে।

লোইশিল্লকপদা, খঙনা-খঙনা খঙহৌদে, উনা-উনা চৎখি মতম মাদি, খান্বা নংহৌদে। নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা মরাল লৈজদবা মীতৈ ফূরুপ্তা লান্দাদুনা নমদুনা থোকহনবা লান থাবুম নিপাল শুজিল্লক্লে। লান অসিনা মরম ওইদুনা মীতৈশিংদা অমসুং অতোপ্পা ফূরুপশিংদা হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা অৱা চৈথেং পীরি। শেল-থুমগী ফীভমসু হায়ফেৎ ফজনা শোকচিলহল্লে। ইশম শম্না হীরম খুদিংদা চৈথেং পীরে। অমুকসু লানসি লোইশিনবগী মমি উদ্রি। মরমদি নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা কাপনীংবা মতমদা নোংমৈ, বোম মীতৈ খুলশিং তম্না কাপথরক্লি। লান অমা লোইশিনবা হায়বসিমক্তবু লান শোক্লরিবা কাঙলূপ অনীদুগী মরক্তা অমনা ঙল্লগা অমনা মায়থীবা নৎত্রগা থার্দ পার্টি অমনা ময়ায় লেপ্তুনা খামদোকপীরগা লান লেপকদবনি। লান খামগদবা মপী-মপা ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লমহেন-তুহেনবা কুকি-জৌ ফূরুপশিংদা ৱারকপগী মহুত্তা অহোইনদুম থৌনা হাপ্পগী ফীভমসু উরি। লান লেপখিরোই। মীতৈ ফূরুপ্পা অচুম্বগীদমক্তা ইমা লৈবাক মণিপুরগীদমক্তা লেপ্লি। মরকসিদা লমদমসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবা খোঙথাংদি অমত্তা লৌখৎপা তৌদনা অনৌবা চহী লাকপগা ইরোয়ননা অনৌবা চহীগী য়াইফ পাউজেল ‘তংদু লৈতাবা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইরসনু’ কায়না মীদিয়াদা অঙম-অথৌ, য়াইতোং-খমদোংবশিংনা পীবা পাউজেল মীতৈ মীয়াম কনানসু তানীংলোই হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মীতৈনা লান লেপহনগনি - ২

**- সিনাম লুখোয় মৈতৈ -**

মীতৈ ইশাগী ইরমদমদা ইশানা লৈবা ঙমদদুনা ইশাগী লৈফম লৈতবা মী অতৈনা লৈশিনখিবা হায়বসি অঙকপা তাইওন্নবা মথক-মখা ওন্নবা থৌওংনি। মীতৈনা মৈত্রবাক্তা লৈফম লৈতদুনা কোইচেন চেল্লগা লৈবা হায়বা অসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। হান্নগী খোংজাই হৌজিক্কী কুকিশিংনা লৈশিল্লিবা লম- ঐখোয়গী লৈবাক্লি য়েলহৌমীশিংগী। মখোয়বু তান্থোকখ্রগা মীতৈ খক্তগী ৱা নত্তনা য়েলহৌমীশিং ঐখোয়না লৈগদৌনি। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বা তৌহল্লোইসি।

মীতৈ খক্তা নত্তনা য়েলহৌমী চীংমী-তম্মী ঐখোয় পূন্না ইকায়নীংঙাইনি। নৌনা চঙলকপা মখোয়না, লৈশেম-নোংশেমলকঙৈদগী চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা মীতৈ ঐখোয়দা নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে হায়বা তৌহল্লোইসি। মী অতৈ অতৈনা য়ূমদাংবা মীনা, য়ূমদাংবনা কৈনাইবগী থবক তৌহল্লোইসি। লৌ মপু য়োংনা তানবনি, হন্দক মৈত্রবাক্তা খুন্দাংবা খোংজাই কুকিনা মৈত্রবাক্কী মপূ মীতৈ খক্তদা অতম্ননা লান তৌরিবা অসি। মরম অসিনা লৌ মপূ য়োংনা তালহল্লোইসি। লৌ মপু ঐখোয়না খূত্তা খূৎচাবা খূৎলায় পায়রগা অরৈবা পাঙ্গল থৌনা পুথোক্তুনা খোংজাই কুকি কৌবা য়োং অসি তানখায়সি, মরূ ফংনা লৈবাক অসিদগী পুংমুৎ মুত্থৎসি।

মমাঙঙৈ চহী ৪০/৫০গী মমাঙদগী হৌনা চুড়াচান্দপুরদা চৎপদা খোংজাইনা লৈবা মফমদুদা মখোয়না থৌনা ফবা শাবনি, মীতৈনা নম্না তাবা মফমদদি মখোয়না নোঞ্জবনি-হায়জবনি।

চুড়াচান্দপুরগী শাইকোৎ হায়রিবা মফমদুদা ঐঙোন্দা ঙম্ব্রা হায়রগা খৎনবা হৌরকপদগী মখোয় ৩/৪বু ঐনা মখোয়গী হাওথাং ১ অদুৱাইদা লৈরমদুনা মখোয়বু য়ান্দুনা হাৎলগে হায়দুনা ঐনা শিবা চংবা থিদনা তান্নবদগী মখোয়না চেনখিবদগী ঐসু মফম অদুদা পন্থরমদনা য়ূমদা লাকখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। খোংজাই কুকিনা মীতৈদা অরানবা থবক হন্না হন্না তৌরক্লিবা, অচুম্বা থবক তৌদবা অরানবা তৌরিবা অদুবু লান হায়বনি। মসিদা ফোংনা থবক ওইনা শৌগৎপদি নত্তবা লোন্না মনুংদা শৌগৎপা মীওই লূপ (ফূরুপ) অদু মীতৈনা খঙই। মসি ফূরুপ খুদিংমক্লা তৌবীদবা ফৈ লাল্লকসিদা।

হৌজিক লান লেপ্লিবা অসি লোইখিবা নত্তে। খোংজাই কুকি শানা মীতৈদা লাননা থবক তৌনবা লাল্লোং শিনবনি। হুরানবনা হুরানবা য়ানবা মরম অদুম থিদুনা লৈগনি। অরানবনা অচুম্বা শাবা, অরানবগী মখল-মখল, মওং-মওং থিরগা অচুম্বা শাবা অদু লাল্লোং থিবা কৌই। মরম অসিনা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংলগা মীতৈদা খৎনবা হৌনীংবা মতমদা হৌরকখিগনি। মরম অদুনা মীতৈ ঐখোয় থৌরাং তৌদুনা লৈসি।

থা ৭ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা মীতৈদা কুকিশিংনা লান্না থবক তৌহল্লিবা, লান্দাহল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌওং কনানসু য়ানীংবা পোক্লম্লোই। ওক্তোবর ৩১দা মোরেদা থোকখিবা এস দি পি ও চোংথাম আনন্দকুমারবু কুকিনা হাৎখিবদা ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোক্তবা অদুগা কুকি নুপী অনীদা ফজদবা থৌওং চত্থখি হায়বদদি নরেন্দ্র মোদিনা থম্মোয় শোক্লা মীতৈবু হুন্দুনা ঙাঙখিবা, ইন্দিয়াগী সিফাইশিংনা মীতৈ ইশাগী লৌরি য়ূম্ফমবুনা বফর জোননি হায়রগা চঙহন্দবা, কুকিশিংগনা পূন্না লৈমিন্নবা, কুকিশিংগী বঙ্কর শামিন্নবা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী সিফাইশিংগা পূন্না চাক চামিন্নরবনিনা মীতৈ খক্তদা খোংজাই কুকি পুল্লগা খূৎ থারি, ইন্দিয়াগী সিফাইনা অদুগা মপান্দনা অফবা শাশিন্নরি, লান ঙাকপা শারি। লানদি ইনশিল্লি। কুকিগী মীচং চংলি। হুরানবা নকোক্তা নাপি পক্লে হায়বদা হুরানবা ফাবগুম্বনি।

মীতৈ ঐখোয় লাঙ্গোই চল্লিবনি মায়কৈ মরি শুংতাই নিপালমক্তা। মীতৈ ঐখোয়বু লৈত্রবদি, মী অতৈগী লৈবাক ওইখ্রগনি। মসিদা ওইনবনি মী অতৈনা শিল্লিবা, কুকিদা ইনশিল্লগা কুকিনা মীতৈদা থাংজিল্লিবা অরানবা খোঙথাং অসিবু লেপহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মফমদা লৈতে।

অরোইবদা কদাইদা তাই লাদা তাই হায়বা অহল লমনগী ৱাফম অমদি লৈবনি। অদুনা লৈবাক অসিগী সী এম, মন্ত্রি-মন্দল, এম এলএ খুদিংমক করি তৌবীরি খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লান চংসি, নরেন্দ্র মোদি, অমিট শাহগী থম্মোয়, পূক্লিং, ৱাখল খঙলে। অদুনা মীতৈ খুল ঙাকপদগী খূৎলায় লৌখৎপগী মহুত্তা অফবা খূৎলায় পীবিয়ু। খোংজাই কুকি থেংননবা। অদু ওইরবদি খোংজাই কুকি মুৎখ্রগনি, লৈররোই। মতমদুদা লান লেপ্পনি, লোইরনি। মীতৈ ঐখোয়না লান লেপহল্লনি, ঙম্লনি। ●

# ঐখোয়না হিংবদা ফজবগী চন্নফম

**- নিংঙোম্বম লাংওন -**

মীওইবা ঐখোয় অসি হেক পোক্লকপদগী হৌনা মাগী-মাগী হকচাংগী মওং-মতৌ অমমমদি পীথোকচরক্লবনি। ফনা অমদি ফত্তনা পীরক্লবসু হকচাংগী মরমদা খঙনা চেকশিন থৌরাং লৌরবদি হিংননবগী লম্বীদা অফবা ওইগনি নীংই। অদুনা চেকশিন থৌরাং লৌদ্রবদি মশা ফবা মীওই ফাওবা ফত্তবা ওইবা মশানা তাবনি। মমা পূক্লুংদগী য়াম্না ফনা পীথোরক্লবা মীওইদদি য়াম্না হেন্না হোৎনদ্রবসু, চৎনবা য়ানা চাবা-থকপনা অদুম ফদুনা লৈবা ঙম্মী হায়বদুনি। অসুম্না হকচাং ফনা থম্বা ঙম্বা অসিনা নুংঙাইবা পূন্সি মরেল ওইদুনা হিংবা ঙম্মী। করিগুম্বা হকচাংদা অনাবা অমা লৈরবদা চৈনা ফাওরক্তুনা ঐখোয় য়াম্না ৱাই। মতম চানা চেকশিলহৌদ্রবদি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওই। মমল য়াম্না তীংই অমদি অরেম্বদা মতম য়াম্না মাঙবতা নত্তনা ইমুং মনুংদা অৱাবা চৈথেং য়াম্না পীরি। অসিগুম্বা চৈথেং চৈনাশিং অসিগী মনুংদা কোক্কী উনশাদা হৌরিবা শম অসিসু অমনি। শম কেল্লকপা অমদি কোক তাংলকপদা কনাসু নুংঙাইবা য়াওরম্লোই। মসিগী চৈনা অসিদি থম্মোয় কায়বা য়াবা মখল অদুনি। মী খঙহন উহন্দনা লোৎপা য়াবা নত্তে। ইরায় লায়না ইফোং ফোংনা খঙবা অমদি উবা মখলগী চৈনানি। অদুবু শমগীদমক কয়া থৌওইনদে। করিগুম্বা শম্না কেল্লকপদা মথন্তা অদুম হৌজরক্কনি খন্না থৌওইনদে। মরমদি শম হায়বসি নোংমদা ৮০/৯০/১০০ কেনবদা অকায়বা লৈতে হায়না খন্নরি।

শম হায়বসিদি নোংমদা ১০দং কেনবদসু অকায়বা লৈ হায়বা য়ারি। হৌগৎলক্লবগী শক্তি ৱাৎপদদি কেনখ্র-কেনখ্রগা হৌগৎলক্তবদগী কোক তাংবা হায়বদু ওইবদগী মীৎমাংদা মকোক তাংবা মী ময়াম উরিবসিনি। শমগী মতাংদদি মথন্তা কেল্লগা মথন্তা হৌজরক্কনি হায়বসিগী ৱাখলসি থাদোকপনা ফগনি নীংই। শম কেনববুদি কেনফম থোকই। অদুবু কেন্দনবা হোৎনবদি চুমগনি। হায়বদি হোৎনবীদবদগী কেনফম থোক্তবসু কেল্লি হায়জবনি। শম হৌফম ওইরিবা উনশা অসি মতম মতমগী মতুংইন্না ফগৎলক্তবসু য়াই। শম হায়বসি কোক্তা হৌবা পান্থীগুম্বনি। পান্থীশিংনা ফজনা হৌবা ঙম্ননবা লৈবাক লৈহাও শেম্নরিবদুনি। মতৌ অসুম তৌনা শমসু কোক্কী উনশাদা লৈবা মচি ওইবা মচীঞ্জাক অদু চুপ্লগা হিংবা ঙল্লিবনি। অসিগুম্বা মওং অসিসু ইখন খন্দবা অমা ওইরি। কোক্কী উনশা অসি ফহন্নবা হোৎনদ্রবদি শম হৌবা কৈদৌনুংদা ঙল্লোই।

শম কেল্লকপগী মরূ ওইবা মরমশিংদি - লুপৌ লৈবা, য়াম্না হাকৎচবা, লৱাই শাবা, শম য়াম্না পোকখায়বা, মচুশিং শংজিনবনচিংবা অমা নৎত্রগা অমগী মরম শোয়দনা লৈগনি। অসিগুম্বা শক্লোনশিং অসি উরক্লবদি নৎত্রগা থেংনরক্লবদি কোক্কী উনশাদা শম ফত্তনবগী মরম ওইবা অৱাৎপা লৈরে হায়বা তাকপনি। মসিনা শম কেলহন্দুনা নৌনা অমুক হৌগৎলক্লবগী লম্বীসু ৱাৎলবনি। অদু ওইরবদি করিগী কোক তাংলোইদৌরিবনো? অদুবু নহাদগী হৌরগা অহল ওইরবা ফাওবনা শম ফববু পামদবা নত্তে।

লু কোকপা অসি মীওই মীতৌ ফজবা, কোক্তা অমদি মায়দা চুম্বা মীদদি মওং অমা ওইনা য়াম্না ফজবসু য়াওই। মশম য়াওবা অমদি য়াওদবা থিদনা কনাগুম্বা মীওইদি লু কোক্তুনা কে নানবা ফাওবা য়াওরিবনি। মসিগী তাইবঙ কুক্মৈদা খোঙদারিবশিং, ইনাক কৈরাক খুল্লবশিং অমদি শান্নরোয়শিং কয়াসু মরূ কোক্তুনা লৈবা ময়াম উরি। মখোয় অসিসু ফজবা মওং অমনি। অদুবু শম হৌবগী ফজবদি ফজবনি। মীওইবগী মায়থোঙদা শম অসিনা য়াম্না মতিক ময়াই হাপ্পী। মায় মায়দুগী চান্ন-চুন্নবা শমহাৎকী মওং মতৌনা মী অমগী ফজবা মতিক ময়াই য়াম্না হেনগৎহল্লি। মীনা মশক ফজৈ ফজৈ হায়নরিবসি শমসু য়াওরিবনি। মরূ ওইনা নুপীদি শম য়াওদবা য়াদবনি। মশক য়াম্না ফজরবসু কুচু কুমেন ফজরবসু অমদি শবান ফনা ফজবা ওইদুনসু শম য়াওব্রদি ফজবগী চন্নফম লৈতে হায়বা য়াই।

ঐখোয়না য়েংসি খুইরবা উনশা, চরা-চরারবা শল্লাং অমদি মঞ্জুনরবা ফিজেৎনা য়োমশিনবা হকচাং অদুদা ফজবা হায়বদু লৈরিব্রা? মরম অদুনা ফজবা হায়বসি ফজবনি। মাগী তোপ তোপ্পা শক্লোন অমনি। ঐখোয়না হিংবদা ফজবা য়াওদবা য়াদে। হীরম খুদিংদা ফজবা হায়বসিনা ঐখোয়বু পুদুনা চৎহনগদবনি। ঐখোয়না ফজববু য়েংলগা পূক্লিং পেন্না নুংঙাইবা ফাওই। ফজদবা মওং মরীল নাইদবা অমা উবদা ঐখোয় নুংঙাইবা ফাওদবনি। ফজবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়না শেমগৎকদবনি হায়বসি হেক হেক কাউরি। ঐগী নুংঙাইনবা হোৎনবদা অতোপ্পবু কাউথোকপা ঙম্মী। ফজবা হায়বগী ৱাহন্থোক অসি শক্কী ফজবা অমদি মপান্থোংদা উরিবা মশকশিং অদুদংসু নত্তে। নুংগী ওইবা থম্মোয়গী মশক অমসু লৈরি। ঐখোয়না নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবগী মনুংদা খল্লিবা অমদি তৌরিবশিং অসি অমুক্তং খন্থদুনা য়েংবদা অফবা কয়া য়াওদবনি। মীওইবা ঐখোয়সে মী ওইনা পোকপগী মহয় য়াল্লবনি হায়না খল্লবসু হিংলম্বগী লমনদি তোন্দুনা চৎলগদবনি।

মীওইবগী অৱা-অনা পূম্নমকপু লাইনা কোকপীদুনা নুংঙাইবদা তিলহনবা ঙম্মী হায়না থাজনৈ। লাইদা ইশাগী অৱাবা অমদি ফত্তববু শিন্নথোকই, য়াম্না অফবা ওইনবা হায়জৈ। শেম্বীবা মপূ মাবু নীংজবগী অশেংবা ৱাহন্থোক্তি অচুম্বা তৌবদুনি। মদু মীওইবনা ঙমদে। অদুনা লাই নীংলগা অৱাফমদগী কোক্লনবা অসুম অসুম নীংবা হেনগৎনরকই। অদুবু লাইগা পাউ ফাওনবদি ঙমদে। মসিনা তাকপদি অৱাবা ফত্তবা পূম্নমক লাইদা শীন্নগদবা নত্তে। ইশানা তৌরুবগী মহয়দি ইশানা ফংবা তাবনি। লাইদা শীন্নবগী মহুত্তা ফত্তবা খল্লকপা অমদি তৌরুবা মীকুপ অদুদা অৱাফমদা তাহনবীয়ু হায়না হায়জরম্লবদি মীওইববু লাইনা অৱা-অনাদগী খরা মখৈদি কল্লমগদবনি। অদু ওইরবদি ঙসিগী মালেম লৈকোইসিদা মীকপ মীরাওখোলনা থল্লম্লোই। লাই নীংবগী খুদমদি পূক্লিং খুদুম চন্দুনা অফবা মহয় ফংবা ঙম্বা অদুনি। ফজবগী মপান তাংদুনা হিংগদবা ঐখোয়না অফবা য়াওদ্রবদি হিংবগী ৱাহন্থোক লৈতবা পূন্সিনি হায়বদা লাল্লোই হায়না নীংই। অচুম্বা লৈতবা মফমদা ফজবসু মাঙখি অমদি নুংঙাইবসু মূৎখি। শক ফজবদা শমগী লৈতেং, লৈ ফজবদা মনাগী লৈতেং অমদি মীৎ ফজবদা পাগী লৈতেং য়াওরিবনি। ঙসিগী তাইবঙপাল অসি অঙকপনা পীক থল্লি। অঙক-অঙকপা কয়ানা তিল্লরবদা মাগী-মাগী অনীংবা-অপাম্বনা মালেমসে মমহনগদৌরি। মসি পূম্নমক হীরম খুদিংদা ফজনা তৌবগী হৈনবী থম্বা ঙমদবদগীনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০**

১) **“মসিদা নূংশিং অসি করম্বা মখলগী শক্তি চেনবগে, মফম কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বদু কাপশিং লমশিং পন্দুনা নিঙথিনা তাক্লি।”** অসুম্না তাক্লিবা লাইরিক অসি করি লাইরিক্নো?

২) **“এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্স”** হায়না মিংথোল্লবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **“অদুঙৈগী থাবল্লে”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **“হে অথৌবা!**
**মীতৈ লৈমগী মপারি**
**নীংবা কায়রবা মীওইশিংবু**
**নৌনা থৱায় হাপ্পিরম্বা...॥”**
শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) **“কংনাইদ্রবা ফিজি”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।